**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18.6.2024)**

**জ‌ন ১৮ (এল)ঃ** মনিপুরদা ২৩ শুবা দ গ্রেট জ‌ন অপরাইজিং, য়ুনিতি ডে ২০২৪, ঙসি পাঙথোকখ্রে।

রাজ্য অসিগী অমত্তা ওইবা অমদি লমগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা ইহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবশিংগী মফমদা মীয়ামনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মপুং ওইবা থৌরম দ গ্রেট জ‌ন অপরাইজিং, য়ুনিতি ডে ওবজার্ভেসন কমিতিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী কেক্রুপাৎতা লৈবা অথৌবশিংগী নিংশিং খুভমদা পাঙথোকখি। থৌরম অদু অয়ুক্তা য়াকাইরোল শক্তুনা হৌদোকখি।

কেক্রুপাৎতা লৈবা অথৌবশিংগী নীংশিং খুভমদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী ইমুং মনুং য়াওনা মীয়ামনা হৈকৎ লৈকৎ তমখি। থাং-তা য়াওনা নাইকী ওইবা থৌরম কয়ানা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

ইং কুমজা ২০০১ গী জ‌ন ১৮ দা মণিপুরগী মীয়ামা অপুনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়না হৌরকখিবা অচৌবা ইহৌদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিং অদুবু নিংশিংদুনা থৌরম অসি চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমশি চহিগী ওইনা থৌরম অসি লৈবাক্কী ইরাং য়েংলগা চমা পাঙথোকখি।

নিংশিং থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফালগী রিমস অমসুং জেনিমসকী ব্লড বেঙ্কশিংদা লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি।

**জিরি (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ৩৭-ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা এফ.সি.আইগী য়াওনা অতৈ পোৎ-চৈ থন্না য়াওরবা গাড়ি ৭৪ ইম্ফালগীদমক জিরিবাম থাদোকখ্রে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী-ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়-গাড়িশিং অদু ৬৯

শুবা বটালিয়ন সি.আর.পি.এফকী কাংবুনা অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা পুশিনখিবনি। অদুমওইনমক, ঙসি ইম্ফালগীদমক জিরিবাম থাদোকখিবা গাড়িশিং অদুগী মনুংদা -এল.পি.পি. পুবা অমদি থাউ পুবা গাড়িশিংদি য়াওখিদে। হৌজিক জিরিবামদা এল.পি.জি. পুবা গাড়ি ৪৬ অমদি থাউ পুবা গাড়ি ১০১ পুন্না গাড়ি ১৪৭ পনদুনা লৈরি।

**লেন্দ (এল)ঃ** মনিপুরদা ইরাংনা মরম ওইদুনা তোঙান তোঙনবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং মখোয় মখোয়গী লমগী অকুপ্পা মরোল মরী লৈনবা এস.দি.ওশিংদা পীখৎলকবা হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-লম মপুশিংনা লমগী অকুপ্পা ৱারোল পীখৎলকপা মতমদা মখোয় মখোয়গী রিভিন্যু ভিলেজ, এরিয়া, দাগ নম্বর অমদি পট্টা নম্বর য়াওরক্কদবনি। মরি লৈনবা নোদেল ওফিসারশিংদগী ফোর্ম লৌরগা মেনশিল্লবা মতুংদা পীশিল্লক্কদবনি। মসি মখোয়গী লমশিং নীংথিনা ঙাক শেদুনা থমবা অখন্নবা থৌশিল শেমবনি হায়রি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা মনিপুরগী ঈরাংগা মরী লৈননা ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিতি মীফমদা মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি য়াওখিদবা অদুবু কংগ্রেসনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি) গী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রগী ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা ক্বাটরদা পাঙথোকপগী পাউমা মীফম অমদা শ্রী মেঘাচন্দ্রনা হায়-মনিপুরগী লুরবা তানফম অসিদা অসিগুম্বা সেক্যুরিতিগী মীফম অমা পাঙথোকপা অসি পুকিং থৌগৎনিংঙাই ওই। মসিদা মনিপুরগী ফিভম নীংথিনা খঙলবা মুখ্য মন্ত্রি য়াওফম থোকই।

রাজ্য অসি হৌজিক ইরাং মায়োকরিবা রাজ্য অমনি। ইংনা-চিকা লৈজরম্বা

জিরিবামদা থা অসিগী তরুক্তা ইরাং থোকখিবা অদু য়ামা লাইবক থিবনি। মনিপুরগী মরমদা কেন্দ্র সরকারনা করি তৌরিবগে হায়বদু মীয়ামদা খঙহল্লু হায়নসূ শ্রী মেঘাচন্দ্রনা তকশিল্লি।

**এআর(এল)ঃ** থা অসিগী ২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরমগী মাংওইননা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পায়খৎলি।

তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাদা অসাম রাইফলসকী বটালিয়নশিংনা মমাংঙৈদগী চৎনরক্লবা যোগগী আসন কয়া মীয়ামদা তাকপী তন্বীরি। মসিগী মথক্তা ফোটোগ্রাফি কম্পিটিসন, পেন্টিং কম্পিটিসনচিংবসু পাঙথোক্লি।

অসাম রাইফলসকী বটালিয়নশিংনা মীয়ামদা যোগবু হেন্না পামহন্নবা থবক থৌরম কয়াসু লৌখৎলি। মসিনা লমদম অদুগী মীয়ামবু হিংবগী থাক ৱাংখৎহনবগা লোয়ননা অওনবা পুরকপা ঙমহল্লগনি হায়রি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা শিনদুনা চয়োল অনিগী ওইবা বেসিক যোগ কোর্স অমা মনিপুর পুলিস ট্রেন্নিং সেন্টর-পাংগৈদা ঙসিদগী চত্থবা হৌখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মনিপুর পুলিস ট্রেন্নিং সেন্টরগী দাইরেক্তর-কবিব কেনা যোগগী কান্নবশিংগী মতাংদা পার্সোনেলশিংদা খঙহনখি।

**থৌবাল(এল)ঃ** চহি খুদিংগী জ্ন ২৬ তা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনেল ডে এগেনষ্ট ড্রগ এব্যুস এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিংগা মরী লৈননা জিলা থাক্কী খুদিক্তা লাই য়েকপা চাংদমবগী থৌরম অমা থৌবাল ঙসি পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ওফিস থৌবালনা শিনদুনা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা জ্নিয়ার অমসুং সেনিয়ার হায়না ক্লাস আইটতগী টেন ফাওবা অমা অদুগা ক্লাস এলভেনদগী টুয়েল্ব ফাওবগী কাংলুপ অনি থোকা পাঙথোকপা লাই য়েকপা চাংদমবা অদুদা পুন্না মহৈরোই ২৪০ না শরুক য়াখি।

ইমপেক্ট ওফ দ্রগ এব্যুজ ইন ফেমিলি হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা চাংদমবা অদুদা জ়নিয়ার কেটেকোরিদা ইষ্টর্ন স্তার হয়ার সেকেন্দরি স্কুল-খাঙবোক্কী এম. প্রিয়োবরতা, দোরেন্দ্রো মেমোরিএল ইংলিস স্কুল হৈরোক্কী-এন. প্রেমচান্দ অমদি এভর গ্রীন ফ্লৱারস স্কুল থৌবাল নিংঙোম্বগী রিনা ৱাকোংথেমনা মথংশিংনা অহানবা, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি।

সেনিয়ার কেটেগোরিদা ন্যু ইরা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল-থৌবাল ওক্রমগী নিকি সিনাম, হিজম প্রিয়োবরতা অমসুং জোবেসন লাইতোনজমনা মথংশিংনা অহানবা, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি। মনা ফংলবশিংদা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

**লৌমী(এল)ঃ** মনিপুরদা ইরাংনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চহিদা চিংখোং চিংয়াদা লৈবা লৌফম কয়া লৌ পানবা ঙমখিদবা অদু কুমশি চহিদদি লৌ নিংথিনা পানবা য়ানবা সরকারনা শিনবীয়ু হায়না মনিপুর লৌমী লুপনা আপিল তৌরি।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-চিংখোং চিংয়াদা লৈরিবা লৌফমশিংদা সেন্ত্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সপু ঙাক শেলহনবগী মহুৎতা রাজ্য পুলিসনা ঙাক শেলহল্লবদি লৌ পানবদা হেননা খুদোংচাহনগনি অমদি লৌমীশিং অকি অখঙ য়াওদনা লৌ পানবা ঙমগনি।

**ককচিং (এল)ঃ** স্পিসিএল এসিষ্টটেন্স টু ষ্টেটস ফোর কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্টগী শেন্থং মখাদা পেভর ব্লোক থারগা শেম্বা ককচিং কেন্দ্রগী লম্বী অনি কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ. ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

লম্বীশিং অদুদি, ককচিং লাইথাগোল লৈকাই ক্লব পরেং অমসুং ককচিং চুমনাং লৈকাই গ্যাস ওপোজিট পরেংশিংগী লম্বীশিংনি।

**ৱেদর ঃ** মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিং- অরুনাচল প্রদেশ,

অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুরবা য়াই হায়না ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি। অদুমওইনমক, নোংচুপ বেঙ্গলগী সব-হিমালায়ান লমদম, অসাম অমসুং মেঘালয়দদি লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা য়ামা কন্না নোং চুরবা য়াই হায়নসু দিপার্টমেন্ট অসিনা ফোংদোক্লি।

খা নোংচুপতগী লাকপা কুমগী নোংগী মতাংদা মেট দিপার্টমেন্টনা হায়- কুমগী নোং অসি মহারাষ্ট্রগী অনৌবা মফম খরা, ছত্তিসগর, উরিষা, অন্ধ্র প্রদেশকী সমদ্র খোঙবাল, বঙ্গোপ সাগরগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক, নোংচুপ বেঙ্গলগী গঙ্গা মপালশিং, রাজ্য অসিগী সব-হিমালায়ান লমদমগী লেমহৌরিবা শরুকশিং অমসুং বিহারগী মফম খরদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা য়ৌশিল্লক্লগনি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা শরুক পুমমক কা হেন্না শাবগী ফিভম মায়োকরি। মেট দিপার্টমেন্টনা হায়- কা হেন্না শাবগী ফিভম অসি ঙসিসু মখা তানা লৈখিগনি। দিপার্টমেন্ট অসিনা দিল্লি অমসুং উত্তর প্রদেশ য়াওনা অৱাং ভারতকী মফম খরদা রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে। উত্তর প্রদেশ, দিল্লি, পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, হিমচল প্রদেশ, বিহার, উত্তরাখন্দ অমসুং ঝারখন্দগী মফম খরদসু ঙসি য়ামা কা হেন্না শাবা ফিভম মায়োকগনি।

**পএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি উত্তর প্রদেসকী বরানাসিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা প্রধান মন্ত্রি কিষান সমানিধি (পি.এম-কিষান) গী মখাদা কান্নবা ফংলিবা লৌমী কোতি ৯ লাখ ২৬ রোমদা লুপা কোতি লিশিং ২০ হেনবগী ১৭ শুবা ইন্সটোলমেন্ট য়েন্থোকখ্রে।

অকাশবানিগী পাউমীনা হায়- কাশিগী মীপুম খুদিংমকা অহুল্লক শুবা ওইনা মখোয়গী মীহুৎ ওইরিবা লুচিংবা অসিবু তরামা ওকখি। শ্রী নরেন্দ্র মোদিগী বরানাসি খোঙচৎ অদু মহাকা অহুল্লক শুবা ওইনা প্রধান মন্ত্রি ওইনা ৱাশক

লৌরবা তুংদা মফমদুদা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি।

ঙসি বরানাসিগী মেহন্দিগঞ্জদা পাঙথোকখিবা পি.এম. কিষান সমান সমেলনদা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা কিষান সমেলন অদুদা লৌমী খরগসু উন্নখি অমসুং মখোয়গী পোথোকশিংগী মরমদা খন্নখি। সরকারনা লৌমীশিংগী য়াইফনবা চপ য়ুংনা লেপ্লি হায়বদু উৎলদুনা মহাক্কী ইহান হান্না থবক পায়বা নুমিৎতা পি.এম. কিষান নিধিগী ১৭ শুবা ইন্সটোলমেন্ট য়েন্থোকবা ফাইলদা সহি তৌখি। প্রধান মন্ত্রিগী মীয়াম মরক্তা থোকপা অহানবা অচৌবা থৌরমসু লৌমীশিংগী ৱাফমদা মপুং ওইবা মীৎয়েং থল্লি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী নুপী লিশিং ৩০ হেনবদা কৃষি সখি সার্তিফিকেট য়েন্থোকখি।

**বঙ্গোল ঃ** নোংচুপ বেঙ্গোলদা সরকারগী থবক চংবদা ত্রান্সজেনদরশিংগী চাদা অমা ফম খাকবা কলকাতা হায় কোর্টনা ফোংদোকখ্রে। মসি সুপ্রিম কোর্টকী নালসা গাইদ লাইনগী মতুং ইন্ননি। জষ্টিস-রাজসেখর মনতাগী বেঞ্চ অমনা রাই অসি পীখিবনি।

টিচর ইলিভিবিলিতি টেষ্ট মায় পাক্লবা ত্রান্সজেন্দর অমনাথবক লৌবগী কাউন্সিল্লিং প্রোসেসতা মহাকপু লাকবা কৌরক্তে হায়বগী মতাংদা ৱাকৎ অমা কোর্টতা লানখৎলকখিবনি।

**অরুনাচল ঃ** অরুনাচল প্রদেসতা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা চিং নিংখায়বদগী লম্বী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে। রাজ্য অদুগী পাপুম পরে জিলাদা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অপনবা থোকলে।

ইন্দিয়ান মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি) না রাজ্য অদুগী জিলা অনি পাপুম পরে অমসুং কুরুং কুমেদা রেড এল্লার্ট লাউথোকখ্রে। লোয়ননা অতে জিলা ৯ দনা ওরেঞ্জ এল্লার্ট লাউথোক্লে।

আই.এম.দিগী পাউ মতুং ইন্না রাজ্য অদুদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ মঙানি অসিদসু অকনবদগী য়ামা কনবা ফাওবা নোং চুগনি। মফম খরদা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা-মন কি বাট থা অসিগী ৩০ দা অকাশবানিগী থোংদা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি শ্রী মোদিনা অহুমলক শুবা ওইনা লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি ওইরবা মতুংদা অহানবা ওইনা শন্দোক্কদবা থৌরমনি। হন্দক্কী অসিনা শ্রী মোদিগী মন-কি-বাটকী ১১১ শুবা তাঙ্ককনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সোসিএল মিদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা থৌরম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মীয়ামনা টোল ফ্রি নম্বর ১৮০০-১১-৭৮-০০ দা ফোন তৌরক্তুনা ৱাখল্লোন অমসুং সজেসন চৎলিবা থা অসিগী ২৮ ফাওবদা পীরকবা হায়রি। মসিগা লোয়ননা মীয়ামনা নরেন্দ্র মোদি এপ নৎত্রগনা মাই গোভ ওপন ফোরমদসু পীশিল্লকপা য়াগনি হায়না ফোংদোক্লি।। মন কি বাট থৌরম অসি অকাশবানি অমদি দুরর্দশনগী চেন্নেল খুদিংমক্তা তাবা ফংগনি।